**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-08.2024)**

**কমিতি (এল)** ঃ রাজ্য অসিদা আইন কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপা অমদি চিংগী জিলা খরদা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা খুল মশিং কা হেন্না হেনগৎলকপগী মতাংদা থিজিন্নবা মনিপুর বিধান সভানা মেম্বর ১২ না শাবা হাউস কমিতি অমা শেমখ্রে। হায়রিবা কমিতি অসি শেমবগী মতাংদা ঙরাং বিধান সভা মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুং সদস্য পুমমকা য়ানিংবা ফোংদোকখিবনি।

নৌনা শেম্লবা কমিতি অসিগী চেয়ারমেন-ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ওইগনি। কমিতি অসিদা মন্ত্রিশিং-লেতপাউ হাউকিপ, লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো, থৌনাওজম বসন্তকুমার, হিলস এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-দিংঙাংলুং গাংমৈ, এম.এল.এশিং-কৈশাম মেঘাচন্দ্র, থোকচোম লোকেশ্বর, অব্দুল নাশির, লৈশিও কৈশিং, সুরজাকুমার ওক্রম, খোঙবানতাবম ইবোমচা অমদি থোঙাম শান্তি মেম্বর ওইনা য়াওরি।

কমিতি অসিগী মতম থা অহুম ওইগনি। থা অহুম অসিগী মনুংদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা মনিপুর বিধান সভাদা পীখৎলক্কদবনি।

**এসেমব্লি (এল)** ঃ মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মহৈরোই লিন্থোইঙানবী হিজম অমসুং ফিজম হেমন্তজিৎ মাঙখিবগী মতাংদা সি.বি.আইনা থিজিনবগী থবক চত্থরি।

বিরোধি মেম্বর-কে. রঞ্জিৎনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা মাঙখিবা মহৈরোই অনিগী লংলা লংজিল হৌজিক ফাওবা সরকারনা পুথোকপা ঙমদবগী মতাংদা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুম পীদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মমাং চহিগী মে অহুমদগী থোরকখিবা ইরাং অসিদা থম্মোয় শোকপা

থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রে। মসিগী মনুংদা মহৈরোই অনি মাঙখিবগী থৌদোক অসিসু য়ামা নুংঙাইতবা অমনি।

থৌদোক অসিদা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং চেন্নবগী খুদম চাংদম ফংবদগী রাজ্য সরকারনা থৌদোক অসি সি.বি.আইদা থিগৎহন্নবা শিন্নখিবনি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অসিদা চেন্নবা চহি নৌরিবা অঙাং অনি য়াওনা মীওই তরুক ফারে। মখোয়দগী মোবাইনচিংবা পোৎলমশিং খরসু ফাগৎপা ঙমলে। চেন্নবশিংগী মথক্তা সি.বি.আইনা চার্জসিট থাগৎখ্রে। থৌদোক্তুন মরি লৈননা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা চার্জসিট থাগৎখিবা থা তরেৎলোম শুরবসু হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরিবা মহৈরোই অনিগী হকচাং কদাইদা ফুম্বগে হায়বগী লংলা লংজিল করিগীদমক পুথোকপা ঙমদ্রিবনো হায়না বিরোধি মেম্বর-কে. রঞ্জিৎনা হংল্লকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অসি সরকরনা অমদি সি.বি.আইনসু য়ামা লুমা লৌই। অঙাং অনি অসিগী শরূ মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ইমুং মনুংদা ফংহনবিনবা রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী সি.বি.আইদা য়ামা কন্না তকরি।

**বিশ্বজিৎ(এল)** ঃ লৌউ শিংউ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে-সরকারনা রাজ্য অসিগী লৌ উনরিবা লৌফমশিং কন্নবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

কংগ্রেসকী এম.এল.এ. থোকচোম লোকেশ্বরনা লৌউ শিংউ বিভাগকী দিমান্দগী খন্নবদা পুখৎলকপা পোলিসি কট মোসনগী পাউখুম পীরদুনা থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়-মনিপুর কঞ্জারভেসন ওফ পেদি লেন্দ এন্দ ৱেদলেন্দ এক্ট ২০১৪ গী মখাদা মনিপুরগী লৌফমশিং কন্নবা হোৎনরি। আইন অসি থুগায়দুনা লৌবুক্তা আইন কায়না য়ুম-কৈ, ইনফাষ্ট্রকচরশিং শাজিনবা হায়বসি ফাইন থিবা য়াওনা চহি অহুমদগী মঙা ফাওবা জেলদা থম্বগী প্রোভিজন লৈ। হৌজিক ফাওবদা লৌবুক্তা আইন কায়না য়ুম কৈ শাজিল্লম্বগী কেস লিশিং ১,৪৭৩

থেংনরে। মসিগী মনুংদা কেস লিশিং ১,১৭২ গী কেস লৌখৎলে। মীওই ৯৪৫ দা লৌবুক্তা য়ুম-কৈ শাজিল্লম্বগীদমক নোটিশ পীখ্রে।

মহাকা মখা তানা হায়-লৌফমশিংদা আইন কায়না য়ুম কৈ শাজিনবগী থবক অসি মপুং ফানা থিংনবা হোৎনবদা লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংগী অচৌবা মতেং তঙাইফদে। আইন অসিগী মখাদা খুঙ্গংগী লমদা লৌফম অমদা য়ুম কৈ শাবগী অয়াবা পীরিবা অসি পোইন্ট ২০ খক্তনি অদুগা সহরগী লমদনা পোইন্ট ১০ খক্তনি।

**সিএম(এল)** ঃ মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হনজিল্লকবা সরকারনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। বিরোধি মেম্বর-কে. রঞ্জিৎনা ঙসি মনিপুর বিধান সভাদা হংল্লকপা ৱাহংগী পাউখুম পীদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা কাংলুপকী ইরাং থোকখ্রবা মতুংদা চিং অমসুং তমদা থোরকখিবা খুৎলায় পায়বা খুল ঙাকপশিংগী মশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনা থিদোকপা লৈত্রি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-খঙহৌদনা ইরাং থোরকপনা মরম ওইদুনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট ফোর্সশিংনা মীয়াম ঙাক শেনবা ঙমহৌদবদগী পেন্দ্রবা খুল ঙাকপশিং থোরকখিবনি। হৌজিক্তি রাজ্য অসিগী খুদোংথিবা থোকপা য়াবা মফমশিংদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি ফোর্সেসশিং থমদুনা মীয়ামবু ঙাক শেল্লি।

হোম বিভাগকী ওইবা অরোন-অথুপ কয়া ঙাক্তবা য়াদবগী ফিভম লৈবনা খুল ঙাকপা কয়া য়ামা লৈবগে হায়বদু ফোংদোকপদা খুদোংচাদবসু লৈ। হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অসি ইচম চম্বা শান্তি রক্সাগী ওইবা সমস্যানি হায়না লৌবা য়াদে। সরকারনা হোৎনবদগী তপা তপা শান্তি হনজিল্লক্লি। জিরিবামদা হান্না লাঞ্জেন্নদুনা লৈরম্বা ইমুং ১৩৩ রোম হৌজিক মশা মশাগী য়ুমদা হনজিন্নরে। মতম খরা চংলবসু অথুবা মতমদা শান্তি হনজিল্লক্লগনি হায়বগী থাজবা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

বিরোধি মেম্বর-থোকচোম লোকেশ্বরনা হংল্লকপা অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা ওপরেসন ওফ রিলিফ কেম্প স্কিমগী মখাদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং নীংথিনা পীরি। মখোয়দা শেল ওইনা পীবগী ৱাফম লৈতে। মহাকা হায়- রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী লাইরিক তম্বদা চংবা খরচ সরকারনা পুথোক্লি। লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং অনা লায়েংদসু সরকারনা মতেং পীরি।

**পাস (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভানা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগ তরেৎকী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৬,৫৭০ হেনবগী শেনফম পাস তৌখ্রে।

দিমান্দশিং অদুদি-এগ্রীকলচর, রুরেল দিবলপমেন্ট, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস, পৱার, প্লান্নিং, ষ্টেট একাডমী ওফ ত্রেন্নিং অমসুং এম.ও.বি.সি অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট বিভাগশিংনি।

**ঃ হৌজিক তাবীরিবা মণিপুরী পাউ অসি হেক লোইবগা হৌজিক চত্থরিবা ১২ সুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফমগী ঙসি চত্থখিবা মীফমগী মতাংদা বিধান সভাগী পাউদম তাবা ফংবীগনি। মসি হেক লোইবগা মতমগী ৱাফম শনে দাকচগনি।**

**খূৎলায় (এল)ঃ** সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেকমাইজিং মমাং লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি মনুংদা-এম.এ.থ্রি. এম.কে. টু. এ.কে. রাইফল অমা, থারতিসিক্স হেন্দ গ্রেনেদ তরুক, নাইন এম.এম.পিষ্টোল অনি, টুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, হেন্দ সেট অনি, ট্যুব লোঞ্চিং অনি, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ মঙা, এন্তি রাইওট স্তন সেল

মরিনচিংবা য়াওরি।

হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

**ডে (এল)ঃ** ঙসি ১০ শুবা নেসনেল হেন্দলুম ডে নি। মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা নুমিৎ অসি পালন তৌরি।

মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিতেদ অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ৱাংখৈদা নেসনেল হেন্দলুম ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসি নুমিৎ মঙানি চুপা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকা মরী লৈননা ষ্টেট এৱার্ড অমসুং কন্সোলেসনগী মনাশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা ফিশাবীশিংদা শেলগী তেংবাংসু য়েন্থোকখি। তুংদা, পান্থোইবী ইমপোরিয়ম ৱয়ার হাউসিং এন্দ ইনভেন্টরি মেনেজমেন্ট ৱেব এপ অমসু লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিতেদকী চেয়ারমেন কে.ঐচ. ইবোমচা অমদি লিমিটেদ অসিগী মেনেজিং দাইরেক্তর-ই. জিতেন সিংহস্ শরুক য়াখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা ফিশা লোনশানা লৌরিবা থৌদাংবু শিংথাবগা লোয়ননা নুমিৎ অসিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। থৌরম অসি জিরিবামদসু পাঙথোকখি।

**শিবা সেনা (এল)ঃ** হৌজিক চথরিবা মনিপুর বিধান সভা মীফমদা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হন্দনবা পুন্না ৱাশক লৌনবা শিবা সেনা মনিপুর প্রদসেকী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা তকশিল্লি।

ইম্ফালদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী তোম্বীনা হায়-রাজ্য বিধান সভাদা ঙরাং ইলিগেন্ট মাইগ্রেন্টশিং মশক খঙদোকবা কমিতি অমা শেমবা ৱারেপ লৌখিবা অদু দল অসিনা তরামা ওকই। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগা য়ুমলোন্নরিবা বঙ্গলাদেসতা হৌজিক থোক্লিবা চরাংনবা অসিগী য়েংলগা ঐখোয় চেকশিনবা মথৌ তায়। রাজ্য অসিদা কামজোং, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলরোমদা আইনা কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপনা মীশিং খঙহেন হেনগৎলকপদগী উমংগী শরুক কয়া মাঙশিল্লক্লি। ফিভম অসি য়েংলগা রাজ্য অসি ঙাক শেন্নবা শিবা সেনানা ফোর্স অমা শেম্লগনি।

**দেদ (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর তরাদগী মীওই অমা লোক্তাক্তা ফুমগী নেট থাদবা চৎখিবা মীওই অমা হিরাকবদগী লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা থোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি থৌবাল জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা দ্যুতি তাবা অহুমশুবা আই.আর.বিগী রাইফলমেন অমা মশানা পায়বা নোংমৈনা কাপশিনজদুনা শিজখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌবাল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি। লৈখিদ্রবা হকচাং হৌজিক জেনিমসকী মোর্গতা লৈরি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা নোং কন্না চুবদগী চিং নিংখায়খ্রবা তুংদা লৈক্রক চৎলকপদগী লোংমাই পার্ট ৱানগী য়ুম ৮ লোম অমাং অতা থোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-অমাং অতা থোক্লবা য়ুমশিং অদুদা লৈরম্বা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে। মফম অদুদা হৌজিকসু টেল্লি-কম্যুনিকেসন মোবাইল টৱার অমসুং ইলেক্ট্রিক লাইনশিং অমাং অতা থোক্লে।

মরক অসিদা, খুঞ্জাশিংনা মফম অদুদা এক্সপার্ট অমসুং জিওলোজিষ্টশিং থাবীরকবা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কামজোং জিলাগী সোরদে ফিল্ডতা ঙসি পাক্তকনা উ চারাশিং থাখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়-উমং কোকথোকপদগী অকোইবগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামদা ভাব তাহন্নবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরমদুদা খুঞ্জা ৪২, সোরদে ভিলেজ কাউন্সিলগী মীওই মঙা অমসুং মহৈরোই ২১ য়াওনা উ চারা লিশিং ১,২৫০ থাখি।

অসাম রাইফলসনা ঙসি উখ্রুল জিলাগী স্কুল মহৈরোইশিংদা নোট বুক অমসুং ষ্টেস্নারিগী পোৎলমশিং পীখ্রে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফুপাৎ তেরাদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঙরাং অসাম রাইফলসনা চান-থকবা পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখ্রে।

**গেমস ঃ** ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা পেরিস ওলিম্পিক্স গেমসকী ৱেথ লিফতিং ইভেন্টতা শরুক য়ারিবী মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই ঙসি নুমিদাং পুং ১১ দা শান্নগনি। মশান্না অসিগী কিলোগ্রাম ৪৯ গী কাংলুপ্তা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী লুপাগী তকমান ফংখ্রবী সাইখোম মিরাবাইনা চাইনা, কোরিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মশক নাইবা শান্নরোইশিংগা লম্বা তৌগদৌরি।

**খো-খো (এল)ঃ** মনিপুর এম্যেচর খো-খো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পৌরাবী রাইজিং স্তার ক্লবনা শিনদুনা ৪৩ শুবা মনিপুর ষ্টেট জনিয়ার খো-খো চেম্পিয়নসিপ, থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী অমা ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পি.আর.এস.সি. গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

**গদকারি ঃ** কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা হায়রি-মনিপুরগী নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি শেমগৎ শাগৎপদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমনা অকায়বা পীরি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙসি রাজ্য সভাদা হংল্লকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগী শান্তি রক্সাগী ফিভম, ক্ষেতিপুরোন পীদবগী ৱাফমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা সমস্যা কয়ানা নেসনেল হায়ৱে অনি অসি খুমাং চাউশিন্ননা শেমগৎনবা হোৎনবদা অপনবা পীরি। হীরম অসিগী মতাংদা মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি সরকারগা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংগসু মহাক্কা উন্নদুনা খন্নখিবসু লৈরে। মনিপুরগী এম.পিশিং অমদি রাজ্য সরকারনা কেন্দ্রদা মতেং পাংবিদুনা হৌজিক লৈরিবা সমস্যাশিং অসি লোয়শিন্নবা হোৎনমীন্নসি। কেন্দ্র সরকারগী মায়কৈদগীদি লম্বী অনি অসি নীংথিনা ফগৎহন্নবগী অচেৎপা অপাম্বা লৈ।